## স্পিসল কেম্প লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজ থৌবালগী এন এস এস য়ুনিট ১ না শিন দুনা পাঙথোকপা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা স্পিসল কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে হায়রি।

কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডো: ও ইবেতোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, স্পিসল কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা টি ঐচ শ্যামো চিয়রপার্সন থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চীফ গেষ্ট, ডো: কে সিতলজিৎ প্রোগ্রাম কো ওর্দিনেটর এন এস এস সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং এস খোমৈ হেড ওফ ডিপার্টমেন্ট পোলিটিকেল সাইন্স ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডো: ও ইবেতোন্না প্রসিডেন্ট ওইখি।

## ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইগী গুরুময়ুম মান্দব নত্রগা নিত্যপ্রভু মান্দবদা গুরু জি বাগেন্দ্রোগী অহানবা ডেট এনিভর্সরি সেলেব্রেসনগা লোয়ননা পাউনম ববিনাগী নুমিৎ ৩০ গী ওইবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সনসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা মণিপুরী মনোহরসাই সভাগী মেম্বরশিং অমসুং মনোহরসাই প্রেমিশিংসু শরুক য়াবিনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

## গাড়ি হুরানবা ফারে

**ইতানগর, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** অরুনাচল প্রদেশকী জুলাং মনুং চন্না লৈবা দোনয়ি কোলোনিদা পুলিসনা গাড়ি হুরানবা মীওই ৪ ফাগৎখ্রে। এজেন্সিগী পাউনা হায়, আই আর বি অমসুং সি আর পি এফকী পার্সোনেলশিংগী য়াওবা কম্বাইন সেক্যুরিটি টিম অমনা চিংননিংঙাই ওইবা মফম খরদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা গাড়ি হুরানবা ৪ গাড়িগা কোন্না ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী ডেমোনষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** শ্রীশ্রী বালমুকুন্দ দেব ম্যুজিক কোলেজনা শিন্দুনা থা খুদিংগী চথবা ডেমোনষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম ওফ ক্লাসিকেল ম্যুজিককী থৌরম থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা কোলেজ অসিগী হোলদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা ঈশৈ- নোংমাইবু পামজবা অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। ডেমোনষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম অসিদা আই বিক্রমজিৎনা ভোকেল, জি নরেসনা গিটর অমসুং এম কুমারনা ভাইওলিন খুদোল তমগনি হায়না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এ আরনা সোলর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৪ শুবা অসাম রাইফলসনা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গেলবুং অমসুং মোলফৈ ভিলেজশিংগী য়ুমকোকশিংদা সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

বটালিয়ন অসিনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী হিংবগী পুন্সিরোল ফগৎহন্নবা তেংবাং ওইনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বটালিয়ন অসিগী ওফিসর ২ না লুচিংবা টিম অমনা খুঙ্গাশিংগা উন্নদুনা ৱারি-ৱাতাই শান্নখি অমসুং এ আরনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল ককচিংগী মহৈরোইশিং অমদি ককচিং গেরিসনগী অঙাংশিংগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট শিনবা থুংনা মিজলস রুবেলা কেম্পেন পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ৩৯ অসাম রাইফলসনা ষ্টেট টাক্স ফোর্স ওন ইম্যুনাইজেসনগা পূন্না শিন্দুনা ককচিং গেরিসন্দা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অদুদা থা ৯ দগী চহি ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাং ৪৫০ দা ভেক্সিনেসন পীখি। মদুদা ককচিং গেরিসন্দা লৈবা অঙাংশিং অমদি অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুলগী মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসনা চথখিবা থবক থৌরমশিং অদুবু মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না আই জি এ আর সাউথকী চেরোল অমনা হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** সি এ এফ এন্দ পি ডি মিনিষ্টর অমসুং এফ সি এসকী ওথোরিটিশিং অমদি ডি সি তমেংলোংনা অখন্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদগী চহি অসিগী ফেব্রুৱারি অমসুং জানুৱারি থাগী এফ পি এস রসনশিং ফংদনা লৈরম্বা অদু য়েংশিন্দুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকপবু ৱুকিষ্টুডেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরেনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা খুন্দ্রাকপম মন্দলগী অপাম্বনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা কুমজা ২০১১ দা খুন্দ্রাকপম এ সিগী শগোলমাংদা উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা মতুং অনৌবা লৈঙাক্না কৈরাও এ সিগী মফম অমদা হোংদোকখিনবগী খোঙথাংদা নৌনা উরেপ-উয়ুং তমখিবা অসিবু অমুক হন্না খন্থবিনবা বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা আপীল তৌরক্লি।

বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী প্রসিডেন্ট সি ঐচ নন্দোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চনবা শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শাবিনবা মন্দলনা হোৎনদুনা লাক্লি অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মেমোরেন্দম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং হেল্থ মিনিষ্ট এল জয়ন্তকুমারদা হৌখিবা মার্চ ২২ দা পীশিনখ্রে।

ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাবিনবা তকশিন ৱারোলশিং মেডিয়াদা মন্দল অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইশু অসিগী মতাংদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লন্নাই মীওই অমদি লূপশিংনা চঙশিল্লিবা পোজিটিব ওইবা খোঙথাংশিং অসি মন্দল অসিনা শৌগৎলি। অদুনা কনাগুম্বা লূপ খরনা অমদি লন্নাই লূপ খরনা ইশু অসিগা মরী লৈননা থল্লকপা ৱাফমশিং মন্দল অসিনা য়াবা ঙম্লোই। মন্দল অসিগী লুচিংবশিং অমসুং মেম্বরশিংনা পার্টি থাদোক্লগা ইশু অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদবা লৈরবদি খুদক্তা পার্টি থাদোকপদা মন্দলনা চিংনবা লৈতে।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্স অসিগী মনুং চনবা শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি। খুন্দ্রাকপম এ সিগী শগোলমাংদা ইম্ফাই ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈরবদি এ সি অসিগী মীয়াম লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী লন্নাই এ সি, হৈঙাং এ সি অমদি খুরাই এ সি অদুগা চীংগী এ সিশিং সাইকুল এসি, কারোং এ সি অমসুং ফুংয়ার এ সিগী শগোলমাংগা থংননা লৈবা মফমশিংগী মীয়ামদা হকথেংননা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা পীবা ঙমগনি।

হোস্পিটাল অসি শোয়দনা শগোলমাংদা শাবিনবা মন্দলনা হকথেংননা মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটিশিং উন্নদুনা হেন্না কন্নবা মওংদা তকশিল্লগনি। ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এ সি অসি মতম শাংনা লৈঙাক্না থৌশাবিরক্ত্রবা এ সি ওইবনা ঙসি ঙসিমক হীরম কয়াদা শোথরবা এ সি অমা ওইদুনা লৈরি। কুমজা ২০১১ গী মমাংগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি উরেপ-উয়ুং তমখিবা অদুগা মতম শাংনা গভর্ণমেন্ট অদুনা নাথৈদুনা থমখিবা অদুনা মফম অসি চয়েৎনবা ফিভম অমা ওইহল্লিক্লিবনি। মরম অদুনা হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাবা নত্রগা মফম অসিদগী হোংখিবা হায়বসি মতম শাংনা এ সিগী এম এল এ ওইরক্লবা ঙসিসু ওইরিবা লোকল এম এল এগী থৌশিলগী মখা পোল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## কংলৈ পীবা থৌবৈ মীফম এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোক্লগনি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** খুন্নাইগী কাঙলোন কননবা শাগৈ পীবাগী মশিলদা অচেৎপা থৌগাই পাঙনবা অমদি ফুরুপ অসিবু কঞ্জনবা খন্ন নৈনবা মীফম হায়বসিদা কংলৈ পীবা থৌবৈ মীফম এপ্রিল ১৭ তা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা য়ুথ ৱেলফিয়র ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী শঙলেন্দা পাউমীশিংগা উন্নবদা পীবা মীফমগী কনভেনর লাইশ্রম পোইরৈতোন্না হায়খি, নিংথৌগী অয়াবা লৌরগা মীফম অসি শিন্নবা চেনজ চোংজবনি কংলৈ পীবা মীফম অসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, সনা মহি লাইকোল অমসুং উকলগা পূন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবনি।

চন্দ্রকৃতি নিংথৌগী মতমদা লৈরম্বা থৌবৈ মীফম অসি অমুক হন্না হিংগৎনবা হোৎনজবনি। মীফম অসিগী মপূং ওইনা লৈরম্বা পীবা ময়াম অদু অমুক হন্না মিং চন্দুনা কাঙলোন অমদা পীবা ময়াম পূন্দুনা শঙ্গাই ফম্মাং, য়ুমদাবা পুয়াদা য়াওরিবা অসিগী মতুং ইন্না পায়খৎচগদবনি। থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা পীবাশিং মীং চননবা হোৎনজরি। লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী ওইবা মীফম অসিদা কংলৈচাশিংনা লৈবাক্কীনি খনবীরগা হোৎনমীন্নসি অমসুং পীবাশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

নহারুপ লাকপা ৱাই মৈরাবা অঙোম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদা লৈরিবা শাগৈগী পীবা ময়াম চন্দ্রকৃতিগী মতমদা খোমজিন্দুনা পূন্নবা হোৎনরম্মী। মসি লৈঙাক নুংঙাইনবগীদমক্তনি। মসিদসু নত্তনা শাগৈ য়েক লৈরম্মী হায়বদু খঙনবা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন পোকহন্নবা হোৎনবনি। কংলৈগী পীবাশিং অসি পূনশিন্নবা হোৎনবা থৌওংনি। খ্বাই লাকপা অমদি কষ্টমগী সেক্রেটরি টি ঐচ ইবোহলনা হায়খি, নিংথৌগী অয়াবা লৌরগা থৌরম অসি শিনবনি। অমদি থৌরম অসি শিনবগী থৌদা নিংথৌনা পীবিবনি।

মদুগীসু মথক্তা পীবা মীফম অসি লৈবাক মীয়াম খঙহন্নবা হোৎনবনি। কংলৈ পীবা থৌবৈ মীফম ফমগদবা নুমিৎ অসিদা বন্দ ব্লোকেদনচিংবা তৌবিদনবসু আপীল তৌরক্লি।

## মে ডেগী থৌরম পূন্না পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** সোসলিষ্ট ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) অমদি মসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিং মণিপুর প্রোলেটরিয়েট পিপলস ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি পি ডি য়ু) অমসুং প্রোলেটেরিয়ান ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট মণিপুর অহুমনা পূন্না শিন্দুনা মণিপুরদা লৌমী, শিন্মী, ঙামী মীয়ামগী নুমিৎ মে ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

এস এস য়ু এমগী কনভেনর নাওরেম তনোরঞ্জননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক মীওই ১৩ না শাবা মে ডে ওবজার্বেসন কম্মিটি কৌবা অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইনা নামৈরাকপম মেঘচন্দ্রবু খল্লে, লোয়ননা থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক লূপ অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনদা য়ুন্ফম ওইদুনা মান্নবা খুন্নাইদা থাজবা লূপশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা মে ডেগী থৌরম অসিদা এস এস য়ু এমগী হেড ওফিসতা লাক্কুনা অঙম্বা মতেং পাংনবীনবসু ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী ওইনা মখল অমত্তগী মতেং লৌনবগীদমক অখন্নবা চে থাবা তৌরোই। মরম অদুনা এস এস য়ু এমগী মীংদা মতেং নীবা লাক্লগদি মদুদা লূপ অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না মীয়াম্না লৌবিয়ু হায়রি। লূপ অসিনা ঙসি ফাওবা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা অপেনবা ফোঙদোকপীরকপা অমদি থৌরমশিং অসিদা মরম চাই হায়না খনবিবশিংনা লূপ অসিগী ওফিসতা লাক্কুনা মতেং পাংবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেমাস) অমদি ৱাখল মান্নবশিংনা চীফ সেক্রেটরিবু য়েলহৌমীনা ওইহন্নবা তকশিল্লিবা ঈহৌ অসিদা এস এস য়ু এমনা মপূং ফানা শৌগৎকনি। এস এস য়ু এমনা মতম চুপ্পদা অপূনবগী পাঙ্গলদা থাজবা থল্লি অমদি থমদুনসু লাক্লি।

লূপ অসিনা ঐগী মাগী লূপ হায়বগী ৱাখল্লোন অদুথাদোক্লগা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌশিংদা মপূং ফানা শৌগৎকনি লোয়ননা চপ চাবা থৌদাংসু লূপ অসিনা লৌগনি হায়রি।

## নুমিৎ ২০ নিগী মতম পীখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসেস এসোসিএসননা তাক্লিবা ডিমান্দশিং পীথোক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ ১০ রোমগী মতম চঙগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ডো: এস সুরেস বাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসেস এসোসিএসন (এম এস এস এ) গী ডিমান্দ অয়াম্বা থুংহন্নবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০ নিগী মতম চঙগনি হায়বা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি লোইননা ফাইনান্স ডিপার্টমেন্ট, ডি পি অমসুং জি এ ডিগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না এসোসিএসনগী মাইকৈদগী নুমিৎ ১০ নি অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না নুমিৎ ২০ গী মতম পীখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা জোইন্ট মিটিং অমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা নুমিৎ ২০ নি মতম পীনবগী ৱারেপতু লৌখিবনি।

## এম ডি য়ু লৈরক শেমজিনবীয়ু: মৈরা পাইবী



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা য়াইস্কুল পুলিস লেনগী মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোল চঙবগী লৈরক অসি চহি কয়াগী মমাংদগী শেম্বীদ্রে।

নোংজু থা য়ৌশিল্লকপা অসিদা লৈখোম- লৈনাংনা চৎপা য়াদবগী ফিভম লাকপদগী য়াইস্কুল পুলিস লেন মৈরা পাইবী অমদি লৈকাইগী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা লম্বী অসি মতম কয়াগী মমাংদগী শেম্বীদবদগী অসুক্কী মতিক ফিভম শোক্লে। লৈখোম- লৈনাং মরক্তা অঙাংশিংনা স্কুল চৎপা অমদি অনা-অয়েক য়াওরকপদগা লম্বী অসিদা চৎনবা হোৎনরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুদা এ সি গী এম এল এনা মীৎয়েং চঙবিয়ু, লম্বী শেমজিনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইগী লম্বী অসিসু থা অমমুক্কী মমাংদা নুং অমদি লৈঙোই হৈবা হৌরম্লগা মখা তানা থবক শুখিদ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা কোইলাস থাবীয়ু হায়না য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# জেব্রা ক্রোসিংগা মরী লৈনবা এৱেয়রনেস কেম্পেন মফম অহুমদা পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** এফ বি রিয়ল ফ্রেন্দনা শিন্দুনা জেব্রা ক্রোসিংগা মরী লৈনবা এৱেয়রনেস কেম্পেন ঙসি মফম অহুমদা পাঙথোকখ্রে।

এৱেয়রনেস কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা এফ বি রিয়ল ফেন্দকী এডভাইজর অমসুং প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিব লোয়ালাকপা খোইরোম্না হায়খি, এফ বি রিয়ল ফ্রেন্দনা তৌজরিবা জেব্রা ক্রোসিংগী এৱেয়রনেস কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা ট্রাফিক রুলশিং মীয়াম্না ঙাকমীন্নসি।

ট্রাফিক পোইন্টতা থল্লিবা জেব্রা ক্রোসিং ঐখোয় পূম্নমক্না ইকাইখুম্নসি, জেব্রা ক্রোসিং লান্থোক্লগা গাড়ি খাম্বা জেব্রা ক্রোসিং মথক্তা গাড়ি খামজিনবনচিংবা কয়া অসি তোক্লসি। ষ্টেট অসিগী গাড়ি থৌরিবা মীওইশিং অসি ট্রাফিক রুলগী এৱেয়রনেস ৱাৎপনরা নত্রগা ৱাখল্লোন চুশিন্নবা ঙমদবনরা ট্রাফিক রুলশিং ঙাক্তবা ময়াম অমা থেংনৈ।

এফ বি রিয়ল ফেন্দ অসি মণিপুরদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা তোল্ল- তারবশিংগীদমক্তা মতেং পাংনবা থোরকপা লূপ অমনি। লূপ অসিনা মমাংদা তোল্লা তারবা কনা লৈজদ্রবশিংদা মতেং কয়া পাংখ্রে। কেন্সরনা নারবা মীওই, কিদনিগী অনাবা লৈবা মীওইশিং অমসুং হার্ট এটেক্ট অমদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ানা নাহল্লবা মীওই কয়াদগী মতেং পাংখ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা লমদম অসিগী মীয়ামদা ট্রাফিক রুলগী এৱেয়রনেস কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি এৱেয়রনেস ৱাৎপদগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমা থোকখি। জেব্রা ক্রোসিংদা লেপশিনবদগী এক্সিডেন্ট থোক্কুনা শিখিবা অমদি জেব্রা ক্রোসিংদা এক্সিডেন্ট থোকপা কয়া অমসু লৈখ্রে।

পূম্নমক অসিদগী ঐখোয় নাথৈরগা চৎপা য়ানবা ট্রাফিক রুলবু ইকাই খুম্নবা ওইনা এৱেয়রনেস কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। এফ বি রিয়ল ফ্রেন্দগী থৌমীশিংনা গাড়ি থৌরক্লিবা মীওইশিংবু ইকাইখুম্নগনি অমদি জেব্রা ক্রোসিংদা গাড়ি খামজিল্লিবা মীওইশিংদা তপ্না তপ্না এৱেয়রনেস পীগনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ট্রাফিক পুলিসকী পার্সোনেলনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংনবা থোরকপনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। কৈশাম্পাৎ ক্রোসিং, নিত্যাইপাৎ চুথেক ক্রোসিং অমসুং কংলা গেট ক্রোসিংদা এৱেয়রনেস কেম্পেনশিং চথখি।

# ‘এগজাম হায়দোক্ত্রিঙৈদা কম্মন এন্ট্রন্স টেষ্ট পাঙথোকপীগনু’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ডিরেক্টর ওফ এডুকেসন (এস) না হৌখিবা থা অসিগী ১১ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ক্লাস ১১ তম্নবা মহৈরোইশিং খনগৎনবগীদমক ফোর্ম থাবা হৌবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৯ দা কম্মন এন্ট্রন্স টেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়রিবসি মথোং হুক্তবা থৌওংনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুডেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী সেক্রেটরি ঐচ আর ডি রোমেন সোইবমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ক্লাস ১০ গী এগজামিনেসন হায়দোক্ত্রিঙৈদা ক্লাস ১১ গী এন্ট্রন্স টেষ্ট এপ্রিলদা পাঙথোক্কনি হায়রিবসি মতম তাদে মরম অদুদা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন হায়দোক্ত্রিঙৈদা কম্মন এন্ট্রন্স টেষ্ট পাঙথোকপিগনু।

এগজামিনেসন হায়দোক্ত্রিঙৈদা ফোর্ম থারগা এপ্লিকান্ট খুদিংমক্তগী লুপা ২০০/২০০ লৌবা হায়বসি এডুকেসন (এস) না এন্ট্রন্স টেষ্ট অসি শেন্দানফম ওন্থোকপনি। অমদি ফোম থাজিল্লক্কদৌরিবা এপ্লিকান্ট খুদিংমক ক্লাস ১০ গী একজামিনেসনদা পাস তৌরক্কনি হায়বা লৈতে হায়রি।

চহি খুদিংগী ক্লাস ১০ গী এগজামিনেসন অসি মে থাগী অহানবা নত্রগা অনিশুবা চয়োলদা হায়দোক্কুনা লাক্লি। অদুবু এগজামিনেসন হায়দোক্কদবা মতম অসুক য়াম্না ৱাৎলিঙৈদা ক্লাস ১১ তম্নবা ফোর্ম থাবা হৌবগা লোয়ননা লুপা ২০০ থিগদবনি অমদি এপ্রিল ২৯ দা এন্ট্রন্স টেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়না এডুকেসন (এস) না লেপ্পল্কপা অসি মরম চাদে হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি কম্মন এন্ট্রন্স টেষ্ট অসিবু শেন্দালফম ওন্থোরকপনি হায়না কে এস এনা লৌই। অমরোমদা এন্ট্রন্স টেষ্ট অসিগীদমক এগজাম ফি ওইনা ও বি অসি অমদি জেনরেলগী ওইনা লুপা ২০০ অমসুং এস সি অমদি এস টিগী ওইনা লুপা ১০০ লৌগনি হায়বসি লাইরবা মহৈরোইশিং অমদি ও বি সি কেটেগোরিগী ওইনা খরা হন্থবীনবা এডুকেসন (এস) কী ওফিসলশিংনা নিংশিংজরি হায়রি।

# লৈঙাক্না সরেন্দরশিংগী ৱেলফিয়র স্কিম পায়খৎপীদ্রবদি পুং ৩৬ কী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** খুৎলাই থাদোক্কুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা চঙজরবা সরেন্দরশিংগী পোলিসিদা য়াওরিবা ৱেলফিয়রশিং থওইদনা থম্বীরিবসি থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রবদি মথং নুমিৎ এপ্রিল ১৫ গী অহিং নোংয়াইদগী হৌদুনা পুং ৩৬ কী ওইবা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরগনি হায়না ওল মণিপুর সরেন্দর ৱেলফিয়র এসোসিএসন (এ এম এস দব্লিয়ু এ) না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা এ এম এস দব্লিয়ু এগী ভাইস প্রসিডেন্ট অব্দুল লতিফনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না ৱাবা হায়বসি হায়নিংঙাই লৈত্রবনি, ইমুং মৈ মম্বা অমসুং অঙাংগী মহৈ তম্বগী স্কুলগী ফি পীনিংঙাই লৈতবদগী এগজামিনেসন থাবা চত্তবফাওবা য়াওরে। ঐখোয়সি থবক ইনখাং শুবা চৎকে হায়রবসু সরেন্দর তৌরবা মীওইনি হায়না থবক ইনখাং শুনবা নেক্লিবা মী অদুনসু ক্রিমিনেল ওইরকপা হায় হায়বগী অকিবা লৈবদগীরা খঙদে, থবক ইনখাং শুবসু ফংদে। মীয়ামগী মরক্তা তিনবা ফংদবা অদুগা গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়বু মীরাইবীবা হায়বসি তশেংনা ৱারোই।

গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা খুৎলাই পীশিনখিবা অদুগী পীবিগদবা শেনফমসু পীবিদে। সরেন্দ্র তৌরবা মীওইশিংবু মশা-মশাগা চান্নবা শিনফমদা থবক পীগনি হায়বদুসু পীবিদ্রে অমসুং থা-থাগী ষ্টাইপেনসু পীবিদে থৌওং অসিগীদমক্তা পেন্দবা ফোঙদোকচবনি।

সরেন্দর তৌরবা মীওইশিংগী চারোন-শুরোনগীদমক খনবীরগা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইট ফংহনবীয়ু। হোম ডিপার্টমেন্টনা সরেন্দর তৌরবা মীওইশিংগী থম্বীরিবা ৱেলফিয়রশিং অদু করম্বা মখলগী ৱেলফিয়র সিষ্টেমনো হায়না হংলকপগা লোয়ননা চম্না হায়জবা পামদুনা মীচম ওইনা হিংলগে খন্দুনা লৈঙাক অসিদা সরেন্দর তৌবা মীওইশিং অসিবু পেন্দবা পোকহন্নবা অমদি নত্তনা লম্বীদা চৎখিনবরা হায়না হংলক্লি।

তৌফম থোকপা সি আই ডিগী ভেরিফিকেসন পূম্নমক তৌবা লোইখ্রগা মরী লৈনবা ওফিসলগী মীওই খরনা মতম শাংনা থিন্থদুনা থল্লগা সরেন্দরশিং ঈংনা-চিক্না হিংবগী রাইট পীররোইদ্রা হায়বা ৱাহং হংলক্লি। সরেন্দর তৌরবা মীওইশিংনা থা অসিগী ২ দা পাউচেশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগা মরী লৈননা করিগুম্বা থবক থৌরম অমত্তসু পায়খৎপীরক্ত্রি হায়রি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু মীয়াম্না শৌগৎপীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং পূম্নমক লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়রি।

## মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর্স য়ুনিয়ননা অহল ওইরবা পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনরশিংনা মশাগী রাইট ওইবা ৭ শুবা পে অমসুং অহেনবা ফিক্স মেডিকেল এলাউৱেন্স তান্দুনা থা অসিগী ২ দগী শিংজমৈ চীংঙা কৈথেলদা চথদুনা লাকখিবা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং অদু থা অসিগী ১১ দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি ডো: সুরেস বাবুনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিস এসোসিএসনগী মীহুৎশিং অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্ভিস ফেদরেসনগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা চীফ সেক্রেটরিনা তাক্লিবা ডিমান্দশিং অমদি ৭ শুবা সেন্ট্রেল পেগী ওর্দর চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা থোক্কনি হায়না থাজবা পীরকপদগী পেন্সনরশিংনা চথরিবা মতম কক্তবা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং খুদক্তগী য়ৈথোকপা হায়না লেপ্পরে।

লৈঙাক্না পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রবদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

অমরোমদা ফিক্স মেডিকেল এলাউৱেন্সকী মতাংদদি পেন্সনর য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা অথুবা মতমদা উন্নদুনা ডিমান্দ অসি পীবিনবা তকশিনগনি হায়বা মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরি লোইতোংবম জুগিন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ট্রাইবেল কষ্টমরি লো লৈঙাক্না তম্পাক্তা চৎনহনবগী অয়াবা পীখিবা লৈত্রা: এ এম এম এস ও

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা লাইফম খুন্নৌ, লাইফম সিফাই অমসুং লাইরিকয়েংবম লৈকাই হৌজিক্না নাগারাম হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা পাঙলশিং লৈবা য়ারোই অমসুং মফম অসিদা য়ুম শাবা য়ারোই হায়না নাগারাম ভিলেজ ওথোরিটিগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপা অসি লাইবক থিবনি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুডেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) না ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম এস ওগী জেনরেল সেক্রেটরি জাবেট অহমৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগারাম অসি তাঙ্খুল ইচিল-ইনাওশিংনা নাগা হেন্না তাবা মফম অসিদা পাঙল খরখক তাবা অসিনা নাগারাম ভিলেজ ওথোরিটিগী মীওইশিংনা পাঙলগী য়ুমশিংদা চঙদুনা ট্রাইবেল কষ্টমরি লোগী মতুং ইন্না য়ুম শাবা য়ারোই অমদি অককনবা মতম পীদনা মফম অসি থাদোকখিনবা হায়রম্বা ৱাফম হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মণিপুরগী চীংদা চৎনরিবা ট্রাইবেল কষ্টমরি লোশিং অসি তাঙ্খুল ইচিল-ইনাওশিংনা তম্পাক্কী অতৈ মফমশিংদসু হায়রিবা লো অসি চৎনবা য়াবগী অমদি নাগারামদা পাঙলশিং খুন্দাবা য়াদে হায়বগী লৈঙাক্না এক্তনচিংবা পাস তৌবা লৈরবদি খঙহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মতম কয়াদগী নুংশি-চান্ননা লৈমীন্নরক্লিবা তাঙ্খুল অমদি পাঙল অনিগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্না নাগারাম এরিয়াবু তুং কোইনা নুংশি চানন্না ঈংনা-চিক্না লৈহৌননবা ৱারোইশিন অমা পুবিরক্লবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা খুন্দারিবা মীওই খুদিংমক্কী সি এস ওশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমসুং মৈরা পাইবী য়াওনা নোংমগী ওইবা পব্লিক ডিস্কসসন অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লাইফম খুন্নৌ খুন্দা পাঙল লৈবা য়ারোই হায়রিবা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা নাগারাম খুল অসি হান্নদগী লাইফম খুন্নৌ হায়না লৈজরম্বনি, মফম অসিদা মুস্লিম খরা নৌনা লোনা য়াবা মওংদা পাট্টা তারগা খুন্দারিবনি। মফম অসিদা পাঙল তাবা য়ারোই হায়রিবা ৱাফম অসি ফোঙদোকহন্নিংদে হায়না মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিডেন্ট হজি অরফৎ আলিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তম্পাক্কী লম অসিদা তাঙ্খুল কষ্টমরি লো চৎনৈ হায়রিবা অসি গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লৈরিব্রা মফম অসি চীংগী লমসু নত্তে। কাঙলুপ ফুরুপ খেৎনরবসু পূন্না হিংমীন্নবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়না হংলক্লি। ইন্দিয়াগী সিটি কয়াদা কাঙলুপ ফুরুপ কয়া পূন্না খুন্দমীন্নদুনা অৱা-অনা পূন্না শরুক য়ামীন্নরি। মফম অসিদা পাঙল তান্থোক্লবা হোৎনরকপা অসিবু মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা পূন্না খুন্দামীন্নরিবা তাঙ্খুল ইচিল-ইনাওশিংনা মফম অসিবু তাঙ্খুলগী লমগুম্না চথরক্লিবা থৌওং অসিগী মরুমদা পোলিটিকেল এজেন্দ অমা য়াওব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদে। হীরম অসিদা লৈঙাক্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎফম থোকই। পূন্না খুন্দামীন্নরিবা তোঙানবা কাঙলুপ মশেল অসি নুংশিন্নদনবা শিনবীগনু। মরম অদুনা তাঙ্খুল ইচিল-ইনাওশিংনা অমদি গভর্ণমেন্টনা ফুরুপ অনিগী মরক্তা য়েংথিন্নদনবা পোলিটিকেল সোলুসন অমা পুরকপা মথৌ তাই হায়রি। অপূনবগী শক্তম শাগৎমীন্নদুনা নুংশি-চান্ননা ঐখোয় পূন্না লৈমীন্নসি হায়না আপীল তৌরক্লি।